হুইয়েন লানপাউ

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নেসনল ন্যুত্রিসন মন্থ গো টু ভিলেজগী নোদল ওফিসর ওইরিবা রেভিন্যু সেক্রেটরি টি রঞ্জিৎনা লোঞ্চ তৌবা

মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন, স্কাই হোস্পিটাল অমসুং ইম্ফাল ওবষ্টেট্রিক্স অমসুং গাইনেকোলোজিকেল সোসাইটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা সেমিনারগী থৌরম

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা পিপল বিল ২০১৮ অয়াবা পীবীদনবা অনসমগী থৌমীশিংনা গভর্ণরদা তকশিনবা

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন লিংখৎননবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী টিমনা দি জি পি উনবা

Vol. 42, Issue No.163 য়ুমশকৈশা, থৱান ২৫ নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, September 05 , 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৭.৩৯

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৯.৩৮

ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ : মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর অহুম ট্রান্সফর তৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা য়াথং অমা থোকখ্রে। ট্রান্সফর তৌখ্রবা ওফিসরশিং অদুদি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, কে ধনঞ্জয়না থৌবালগী সী এ আরদা; ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী ইন্সপেক্টর এম সুধিরনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী; থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, এস ঐচ চন্দ্রকুমারনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ওইরগনি হায়রি।

থাজবা পীরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ : মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা মণিপুরগী দি জি পি এল এম খৌতেদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন লীংখৎনবা ৱাফম হৌদোক্লুবদা দি জি পিনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন লীংখৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না এন সী পি সী আরগী চ্যেরপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.৬২ °C	২২.৬৮ °C
চান্দেল	৩৩.৯১ °C	১৯.৪২ °C
সীসীপুর	৩০.৭৪ °C	২১.১৬ °C
ইম্ফাল	৩৩.০৯ °C	২১.৫৮ °C
সেনাপতি	৩১.৫৪ °C	১৭.৫৪ °C
তমেংলোং	৩৬.৭৮ °C	১৯.৩২ °C
থৌবাল	৩১.৫৬ °C	২১.৬৪ °C
উখ্রুল	২৫.৫৭ °C	১৬.৮২ °C
মণিপুর	৩৬.৭৮ °C	১৬.৮২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.০৩ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৭

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩০

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	82.589441
US Dollar	71.478395
British Pound	91.616508
Australian Dollar	51.293258
Chinese Yuan Renminbi	10.455191
Japanese Yen	0.641484
Malaysian Ringgit	17.262848
Norwegian Krone	8.499517
Singapore Dollar	51.924257
South Korean Won	0.063996
Swedish Krona	7.819977
Turkish Lira	10.676310
Myanmar Kyat	0.04631
Bangladesh Taka	0.85187

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30898.40
Mumbai	–	Rs 31732.62
Delhi	–	Rs 31550.80
Kolkata	–	Rs 31871.66

HL POLL

Q : Police amadi meeyamgi marakta leinaba mari fagatle haina CM na haikhibasi achumbani loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : MU gi houjik oiriba wathok ashigi matang-da leingak amasung HRD na tumminna leiri-basi chummi khanbra?

Yes 06% No 94%

অস! লোইরেহে!

খুরুমজরি ওজা...!



নখোয়বু ওজাগী নুমিৎ থৌরমগী শেল খায়নৈ হায়বদায়নে...!

নুঙবাদা আই-এমগী কাদরশিংনা এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরি ফুরক্লে

ফুবদা চেন্নবা আই-এমগী কাদরশিং পুং ৭২ গী মনুংদা ফাগদবনি : মঞ্জিৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচএনএস):

মশানা মশাবু এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরনি হায়না শক তাকচবা মীওই মরিনা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম অনিল ফুরকখ্রে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরতা পাউমীশিংগা উনবদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা পাউমীশিংদা হায়খি, থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪১ রোম তারকপদা জিরিবাম-ইম্ফাল লম্বীগী নুঙবা কৈথেলদা থোকখিবনি।

এমসুগী টিম অদু ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (আমসু)গী ফ্রেশরস মীট য়াওরুরগা ঙরাং নুমিদাং হল্লকখিবনি। টিম অদুদা মণিপুরগী মশক নাইরবা শৈশকপা ৫ অমসুং হয়ুম বেন্দগী ম্যুজিসিয়ন ৬ য়াওনা মীওই ৩৭ য়াওই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হল্লকপগী লম্বীদা লৈবা নুঙবা কৈথেলদা চাক চাননবা গাড়ী খাল্লিঙৌদা আই-এমগী কাদরনি চিংনবা মীওই মরিনা মীগী পূক্লিং শোকপা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপদা নৎতনা এমসুগী জেনরেল সেক্রেটর সোইবম অনিলগী মমায়দা খুপাক্লা থারকখি।

ষ্টেট অসিগী প্রেসর গ্রুপ অমা ওইরিবা এমসুগী থৌমীশিংদা তাথী-তাওইনা তৌবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী লীচৎ নত্তে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং পুং ৭২ গী মনুংদা ফাগদবনি অমসুং লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীগদবনি। মখোয়বু ফাদুনা চৈরাক পীদ্রগদি এমসুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মশানা-মশাবু এন এস সী এন (আই এম)গী কাদরনি হায়জবা মীওই ৪ না গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওই খুদিংমক কুমথরক্লুবা খঙহনখি। মদুদা এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরিনা লুচিংবা মীওই ৩/৪ কুমথরগা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ-ৱাতা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

‘ছুটিগী মতাংদা এম ঐচ আর দিনা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লক্তে’

ছুটি পীবগী য়াথং ইল্লোই : পান্দে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচএনএস):

হান্নগী মতৌগুম থৌ পুবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর, প্রোফেসর এ পি পান্দেনা হায়খ্রে মদুদি, মঙোন্দগী হন্থবা থাক্তা লৈবা ওথোরিটিনা ছুটি পীবদা য়াবা ঙল্লোই। ছুটিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্ট (ঐচ আর দি)না ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈতে। ছুটি পীরে হায়বা পাউ সোসল মিদিয়াদগী খঙবা ঙমখিবনি।

সঙ্গেংথোংগী ওফিসরস কোলোনিদা লৈবা মশাগী ওফিসল ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রোফেসর পান্দেনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্টনা ...*মখা লামায় ৩ কলম৫*

মুসা, মুটা লৈবা য়ারোই হায়বা য়াথং চৎনদ্রে : বিশ্বনাথ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচএনএস):

প্রোফেসর দল্লিয়ু বিশ্বনাথনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর ইনচার্জ অদুমক ওইরি হায়না মশামক্না থাদোরকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, প্রোফেসর এ পি পান্দেনা সেপ্তেম্বর ১ দগী ভাইস চান্সেলর ওইনা থৌ পুবা হৌরে হায়না ইবা ৱারোল য়াওবা ঈ-মেল অমা য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ইনচার্জদা থারক্লে। অদুবু ঙসিফাওবা প্রোফেসর পান্দেনা ভাইস চান্সেলরগী ওফিসতা লাকপা লৈত্রি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চান্সেলরনা সেপ্তেম্বর ২ দা পীবা পাউতাক মতুং ইন্না হৌজিকসু প্রোফেসর ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

গভর্নর, সী এমনচিংবনা ওজাশিংগী নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচএনএস):

চহী অসিগী ওজাশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা ওজাগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংদা গভর্নর, দা. নাজমা হেপ্তুলা অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মিনিষ্টরশিংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্নর নাজমা হেপ্তুলানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়, দা. এস রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ সেপ্তেম্বর ৫ বু চহী খুদিংগী ওজাশিংগী নুমিৎ হায়না লৈবাক শিন-থুংনা সেলেব্রেসন তৌরি। শক্লাইরবা এদ্যুকেসনিষ্ট, স্কোলর অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট দা. এস রাধাকৃষ্ণনবু নীংশিংলদুনা ঐখোয়না ওজাশিংগী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপনি। মহাক নীং তম্লবা ইন্দিয়াগী নহারোলশিংবু শেম্বীবা অমসুং লমজিং-লমতাকপদা ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু মপুং ফানা থাগৎপীরম্বা অৱাংবা থাক্কী লুচিংবা অমনি। সোসাইটিগী তুংলমচৎ অসি নহারোলশিংগী মখুৎতা লৈরে অমসুং মখোয়বু ওজাশিংনা মখুৎ পায়দুনা লমজিং-লমতাকপিবনি। স্কুলশিং, কোলেজশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা হৌজিক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

অরোনবা মীহাৎকী ৱায়েল চথবীয়ু : অমুকো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়াগী অতে ষ্টেটশিংদা অফস্পা থমদ্রগা অকক্লবা ষ্টেট খরখক্তা থল্লিবসি ষ্টেটশিং অসিগী মীয়ামদা মীওৎ-মীনৈ চথুগে হায়বনি, তাঙ্কক অসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা ঐখোয় কয়াম কুইনা ইন্দিয়া মচানি হায়খিগদগে হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওগর্নাইজেসন (অমুকো)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এন সী মোধুচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চঙাঙ্গৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা চথবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা তমথীরবা অফস্পাগী মরুমদা কুমজা ১৯৮০ গী এপ্রিল ২৬ তগী ঙসি ফাওবদা মীওই ৮,৯২৩ হাৎখ্রে। মসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা মশা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীগী মশীংনা ১৮ নি। হৌজিক-হৌজিক সুপ্রিম কোর্টতা কেস থেংনরিবা মখূৎ চল্লবা মতুং হাৎপগী কেসনা ১,৫২৮ নি। থৌদোকশিং অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম করম্বা পূন্সি মহিংদা হিংহল্লিবগে, ঐখোয় কয়াম কুইনা লমদম অসিদা হিং-খিগদগে ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদগী চীং লৈবাক কোৎলম্বশিং ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):

থৌবাল পুলিসকী টিম অমনা ঙরাং নুমীদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ৱাইথৌ প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদগী কাঙলোন কায়না চীং লৈবাক কোৎলম্বা গাড়ী তরেৎ ফারে। ফারবা গাড়ীশিং থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জদা শিন্নদুনা লুপা লাখ ১/১ গী ফাইন থিহনখ্রে হায়না ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা দি এফ ও থৌবাল এন গনেশনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবালদা লৈবা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা দি এফ ও, গনেশনা থৌবাল পুলিসকী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মখা তানা হায়খি, চহী অসিগী ওগষ্ট ৮ দা মণিপুর হায় কোর্টকী অনৌবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী মফম অমত্তদগী লৈবাক অমদি চীং লৈবাক লৌথোকপগী অথিংবা লৈ। মরম অসিনা দি এফ ও থৌবালনা কোনবা মফমদগী মখল অমত্তগী লৈবাক লৌথোকপদা অথিংবা থল্লে। অথিংবা অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বনা লৈবাক লৌথোকপা থেংনরবদি লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক ফংগনি।

কনাগুম্বনা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

দিজল ওটো রিক্সো অয়াম্বা নিল-খোংবগী চাং ৱাংলে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচএনএস):

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা চেল্লিবা দিজল ওটো রিক্সো ১১২ চাংয়েং তৌবদা শুপ্পতগী ৩৫ খক্তমক অপীবা ষ্টেন্দর্দ য়ৌবা ঙম্মী হায়না বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বরনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা ইম্ফাল বি টি পার্কতা মখোল হৌবগী চাং ওনখ্রে। চথখিবা খোঞ্জেল ওনবদুদা অয়ূক্কী পুং ১১ দগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা দেসিবেল ৭৪.৯ য়ৌখি। নুমিৎয়ুংবা মতমদগী নুংথিল পুং ১ ফাওবদা ওনবদনা দেসিবেল ৭৫ য়ৌখি। নুংথিল পুং ১ দগী পুং ২ ফাওবা ওনবদনা দেসিবেল ৭৩ য়ৌখি। নুংথিলগী পুং ২ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবদনা দেসিবেল ৭৩.৭ অমসুং নুংথিলগী পুং ৩ দগী ৪ ফাওবনা দেসিবেল ৭৬.৪ য়ৌখি।

নোইজ পোল্যুসন (রেগ্যুলেসন এন্দ কন্ট্রোল) রুলস, ২০০০গী মতুংইন্না অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা খোঞ্জেলগী চাং অসি কম্মর্সিএল এরিয়াগী ওইনা দেসিবেল ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈগদবনি। মসিগা লোয়ননা সাইলেন্ট জোননি হায়রিবা মফমশিংদনা দেসিবেল ৫৫ ওইগদবনি। ইম্ফাল সিটি অসি কম্মর্সিএল এরিয়া অমসুং সাইলেন্ট জোন এরিয়া ওইনা লৈবা মরম্না হৌজিক্তি নিল-খোংবগী চাং খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে।

বি টি পার্ক অসি কম্মর্সিএল এরিয়া অমসুং সাইলেন্ট জোন ওইরিবা মফম অসিদা অসুক য়াম্না নিল খোঙবগী চাং ৱাংবা অসিনা অকায়বা ওইহল্লে। নিল খোঙবগী চাং হেনগৎলকপনা মীওইবদা হিয়ারিং প্রোব্লেমশিং, কোগনিটিভ ফঙ্কসন ফৎহন্দবা, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজশিং, স্লিপ দিষ্টর্বেন্স, মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম ওইরিবা এঙ্গাইতি অমসুং দিপ্রেসন্নচিংবা লৈহল্লক্কনি।

ইম্ফাল সিটি মনুংদা নিল-খোংবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মরম য়াম্মী। ময়াম অসিগী মনুংদা মশীং য়াল্লবা দিজল ওটো রিক্সোশিং অসিনি। সিটি মনুংদা গাড়ী চিনবা হেনগৎলকপদা নৎতনা মশীং য়াল্লবা দিজল ওটো রিক্সোশিং অসিনা মখোয়গী পার্কিংদা চঙননবা হোৎনবদা থোক্লিবা খোঞ্জেল অসি কিনিংঙাই ওই।

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V. Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ! 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/5255/21/08-20/09

য়ানবদগী মোরে লম্বী বন্দ তোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ (ঐচএনএস):

মণিপুর লৈঙাক্কী স্পোক্সপার্সনগা ঙসি নুমিদাং মহাক্কী ওফিসল ক্বার্টরদা ৱারী শানরবা মতুংদা কাথা ভিলেজ ওথোরিটিনা ইম্ফাল মোরে হায়ৱে থিংবগী খোঙজং তোকখ্রে।

মিটিং অদুদা কাথা ভিলেজ ওথোরিটিগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী দিমান্দশিং লৈঙাক্কী স্পোক্সপার্সন বিস্বজিৎকী মমাঙদা থমখি। মীহুৎশিং অদুদা বিস্বজিৎনা হংখিবদা কাথা ভিলেজ অসি মণিপুরগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি অমসুং লৈঙাক্লা বোর্দর ইস্যুশিং লৈখায় তাথোকপা পামই। মখোয়গী অশেংবা দিমান্দশিং থুংহন্নবা তঙাইফদবা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলগনি।

তেংনৌপলগী দি সী এ তোম্বীকান্তগী ট্রান্সফর ওর্দর ককউ হায়বা মখোয়গী দিমান্দগী মতাংদা বিস্বজিৎনা হায়খি মদুদি মহাক্না দিমান্দ অদু চীফ মিনিষ্টরদা খঙহল্লগনি অমসুং লৈঙাক্কী মথংগী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং ওর্দরদা আই এ এস ওফিসর অদুবু অমুক হন্না দি সী তেংনৌপল ওইনা পুশিল্লকপা য়াগদ্রা হায়বদু খন্নগনি।

পনবা য়াবদি, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী দি সী, এ তোম্বীকান্তগী ট্রান্সফর ওর্দর ককউ হায়না তকশিল্লদুনা কাথাগী খুনমীশিংনা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী ইম্ফাল মোরে হায়ৱে থিংলকখিবনি।

CHIEF MINISTER
MANIPUR

Imphal,
August 30, 2018

MESSAGE

I extend my warm greetings to the teachers of the State on the occasion of Teachers' Day, 2018.

The fifth of September is celebrated as Teachers' Day every year across the country in commemoration of the birth anniversary of Late Dr. Sarvepalli Radhakrishnan who was a great scholar and teacher. The Day is celebrated to pay our hearty respect to the teaching community for their dedication and hard work rendered for the betterment of society. Teachers are role models, and guide children and youth to become good and responsible citizens.

On this day, I pay my homage to Dr. S. Radhakrishnan and extend my heartiest greetings to all teachers.

30/8/18
(N. Biren Singh)

HL-B/4833/5

Thokchom Radheshyam
MINISTER
(Education and Labour & Employment)
Manipur

MESSAGE
Imphal, the 4th Sept,2018.

Each year on the 5th of September, the birth anniversary of our beloved President Dr. Sarvepalli Radhakrishnan, a great scholar and teacher, we celebrate the Teachers' Day to extend our heartfelt tribute to our dear teachers for their sincere efforts towards making a better nation.

I also take this opportunity to urge the teachers to re-dedicate their thoughts and actions towards the betterment of the students for rebuilding a Young India committed to social harmony, inculcation of scientific temper and innovation.

4/9/18
(Thokchom Radheshyam)

HL-B/4833/5